# থুনমক নক্সাল শৌগৎপশিং লৈহল্লরোই ঃ রমন সিংহ

*রাইপুর, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
ছতিসগরগী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা রাইপুরদগী হৌরগা দিল্লি ফাওবদা শিম্পিথাইজরশিংদগী আইদিওলোজিকেলগী অমসুং ফাইনান্সিয়েলগী শৌগৎপা অদু থুনমক লৈহন্দনবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং পায়খৎতুনা কন্না হোৎনরি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



পাউগী এজেন্সি পি টি আই দা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা খ্বাইদগী মতম শাংনা বি জে পি চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী মাওইষ্ট লালহৌবনা শোকহল্লবা বষ্টার লমদমদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং য়াওনা ষ্টেট অসিদা মহাক্না দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলিবদু ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদসু বি জে পি না থংন–থংননা ৪রক শুবা ওইনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেম্বর ৯০ লৈবা ছতিসগর এসেমব্লি মীখল চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা কুমজা ২০০৩ দগী ষ্টেট অসিদগী মাওইজম পুংমুৎ মুখৎনবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা থৌরাং অমা চত্থরক্লি অমসুং মদুগী লাল্লোং অদুগী মহৈ ফংবা হৌরে হায়খি।

নক্সালনা শোকহল্লবা অয়াম্বা মফমদা ঐখোয়না চাওখৎপা পুরকখ্রে। মদুদগী হেন্দোক্তুনা ঐখোয়না মীয়ামগী থাজবসু জয় তৌবা ঙম্লে। নক্সালশিংনা হৌজিক নোংম–নোংমগী মপূক্নীং হন্থরক্লে লোয়ননা মখোয়গী থবক থৌওংশিংসু নেমথখ্রে।

মাওইষ্ট শিম্পিথাইজরশিংগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা মাওইষ্টশিং অসিনা রাইপুরদগী দিল্লি ফাওবদগী য়াম্না কনবা সপ্পোর্ট সিষ্টেম অমা ফংলি হায়খি।

মখোয়না অচৌবা উকিলশিং শেমগৎলি। উকিলশিং অদুনা মখোয়গী কেসশিং লেপ্লি। মরম অদুনা মখোয় শেন–থুমগী মায়কৈদগী কল্লি। মখোয়দা আইনগী তেংবাঙ পীবগী মতাং পল্লদুনা হায় কোর্টশিংদগী হৌরগা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবদা মখোয়গী আইদিওলোজি য়াবা মীওইশিং লৈ। মীওইশিং অদুনা মখোয়বু শৌগৎলি হায়খি। অদুবু হায়রিবা শিম্পিথাইজরশিং অসি থুনমক লৈহল্লরোই হায়না মহাক্না থাজবা ফোঙদোকখি। নক্সালশিংনা শোন্থরক্লিবা অদুগুন্না মখোয়সু শোন্থরক্লগনি। মসিগী লাম্থেং (নক্সালাইটশিং অমসুং মখোয়গী শৌগৎপশিং থিংনবা) অসি ছতিসগরগী অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংগীসুনি।

কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা ছতিসগর অমা শেন্নবগী ৱাশক অমসুং মীৎয়েং অমগা লোয়ননা বি জে পি না মীয়ামদা থাজবা পীরি। ২০২৫ তা ছতিসগরনা চহী ২৫ মপূং ফারকপদা ঐখোয়গী জি দি পি শরুক অনী হেনগৎহনগনি, ফার্মরশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনগনি। ঐখোয়না ষ্টেট অসিদা ১০০ দা চাম্মা লীতরেসি লৈহনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

# হোং কোংনা প্রো–ইন্দিপেন্দেন্স পার্টি থিংজিনখ্রে

*হোং কোং, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
হোং কোং গভর্ণমেন্টনা প্রো–ইন্দিপেন্দেন্স পার্টি অমা অথিংবা থমখ্রে। হোং কোং নেস্নেল পার্টি (ঐচ কে এন পি) না নেস্নেল সেক্যুরিটিদা অকিবা অমা পী হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।




'ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমস' হায়বা ফোর্মলা অদুগী মখাদা চিনাদা ফংদবা অৱাংবা থাক্কী ওতোনোমি অমা অমসুং ফিল্ম কয়া হোং কোংনা ফংলি। বৈজিংদগী পীথরকপা শাফু মখাদা হায়রিবা ফ্রিদমশিং অদু লৈতবগুম তৌরে হায়বগী নুংনাংবশিং হেনগৎলকপদগী অথিংবা অসি থম্লকখিবনি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদগী টেরিতোরি অসি চিনাদা অমুক হন্না পীরমখিবা মতুংদগী টেরিতোরি অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অমবু অথিংবা থম্বা অসি মসিনা অহানবনি।

অথিংবা থম্লিবা ঐচ কে এন পি অসি অপীকপা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্টকীদমক্তি হোং কোংদা শৌগৎপা অমত্তা ফংদবা পার্টি অমনি। অদুবু পার্টি অসিবু আইননা য়াদবা ওইহনবগী থোঙ্গাল অসিনা গ্রুপ অসিবু অমসুং মসিগী লুচিংবা এন্দি চানবু মালেমদা শকখঙনহল্লগনি।

বৈজিংদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লবা ফাওবদা হোং কোংগী ফোরেন করেস্পোন্দেন্ট ক্লব (এফ সি সি) না এন্দি চানবু কৌদুনা ৱা ঙাংহনখি। আগষ্ট থাদা এফ সি সি দা মহাক্না ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা ৱারোল অমা ঙাংখি। ৱাঙাং অদুনা বৈজিংদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকহল্লকখি লোয়ননা ৱা ঙাংবা অদু তোকহন্নবা এফ সি সি গী মথক্তা শাফু পীরকখি।

হান্নগী বৃটিশ লোয়লম অমা ওইরম্বা হোং কোং কুমজা ১৯৯৭ তা চিনাদা অমুক হন্না পীরমখি। অদুবু ৱান কন্ত্রি টু সিষ্টেমসকী ফোর্মুলা অসিগী মরমদগী বৈজিংনা চহী ৫০ হোং কোংদা থাক ৱাংবা ওতোনোমি পীনবা ইকোনোমিক অমসুং সোসিয়েল সিষ্টেমশিং ঙাক্তুনা থম্নবা য়াখিবনি।

# রোহিংয়া ৱাথোক ঃ
# য়ু এন না খূৎ থিংজিন্নবগী হক লৈতে ঃ ম্যান্মার আর্মি চীফ



*য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
ম্যান্মারদা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মথক্তা পাক্তক্লবা মীহাৎ চথে হায়বগীদমক লৈবাক অসিগী আর্মি চীফ অমসুং অতৈ মকোক থোংবা জেনরেলশিংবু ৱায়েল চত্থনবা য়ু এস ইনভেষ্টিগেতরশিংনা ফোঙদোকখিবগী চয়োল অমগী মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী সোবরেন্টিদা খূৎ থিংজিন্নবগী য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হক লৈতে হায়না ম্যান্মারগী শক্তি লৈরবা আর্মি চীফ, জেনরেল মিন ওং হলাইংনা হায়খ্রে।

ম্যান্মারগী তোপ মিলিতরি ব্রাসপু ইন্টর্নেস্নেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি) দা রিফর তৌনবা য়ু এন ফেক্ট–ফাইন্দিং মিসন অমনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা আপিল তৌখিবা অমগী মতুং ইন্না অকনবা পাউখুম অসি আর্মি চীফ অসিগী অহানবা ফোঙদোক্লকপা পাউখুমনি।

কুমজা ২০১১ দা সিভিলিয়ান লৈঙাক অমদা মমিং ওল্লকপা অমা ওইরবা ফাওবদা হন্দকমুক হান্নগুম শক্তি লৈরিবা মিলিটরিবু ম্যান্মারদা পোলিটিকেলগী থবক্তগী থাদোক্লবা য়ু এন গী দিমান্দশিং অদু আর্মি চীফ অসিনা য়াখিদে।

লৈবাক অমগী সোবরেন্টিগী মথক্তা খূৎ থিংজিন্নবা অমসুং ৱারেপ লৌনবগী হক অদু কনাগুম্বা লৈবাক, ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা গ্রুপ অমত্তদা লৈতে হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা জেনরেল মিননা ট্রুপশিংদা পীখিবা ৱারোল পল্লদুনা মিলিটরিনা চল্লাইবা কাউন্সিল মিয়াৱাদিনা হায়খি।

হৌখিবা চহী আগষ্ট থাদা হৌখিবা ম্যান্মার মিলিটরিগী শাথিবা কেম্পেন অমদা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মথক্তা চত্থখিবা মীওৎ–মীনৈশিংগী ৱারোল য়াওবা, থা ১৮ হেন্না খোমজিল্লকখিবা লামায় ৪৪৪ পানবা য়ু এন প্রোব রিপোর্ট অমা পুথোকখি। রিপোর্ট অদু ম্যান্মারনা য়াখিদে। মিলিটরিনা অরানবা তৌখি হায়বা পূন্নমক অদু মিলিটরিনা য়াখিদে। লমদম অদুদা চত্থখিবা ওপরেসনশিং অদু রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু ৱাইটস গ্রুপশিং অমসুং য়ু এন নদি ওপরেসনশিং অদু ওইফম থোকপা চাংদগী য়াম্না হেন্না চাওখ্রে অমসুং আগষ্ট ২০১৭ দা রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংনা পুলিস ফোর্সশিংদা এটেক তৌদ্রীঙৈগী মমাঙদা মফম অদুদা ট্রুপশিং হান্না পৈশিল্লকখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারনা রোহিংয়াশিংবু মীতোপশিংনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু বেঙ্গলি হায়না কৌই। লৈবাকসিগী লৈরিবা ইথনিক কয়াগী মনুংদা মখোয় য়াওদে হায়রিবা লো অদু অদুমক লেংদনা লৈখিগনি হায়না ম্যান্মারগী আর্মি চীফ অসিনা ফোঙদোকখিবনি।


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 11/06/18
Valid : 09/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 08/08/18
Valid : 06/08/18
Stk : 577
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 11/07/18
Valid : 27/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Laiching Gas Service**
Booking : 22/08/18
Valid : 20/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 31/07/18
Valid : 29/07/18
Stk : 270/19kg 24
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 22/06/18
Valid : 15/06/18
Sl. No. 25886
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 13/06/18
Valid : 02/06/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**R B D Gas**
Booking : 21/06/18
Valid : 14/06/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Gas**
**Wangjing & Khongjom**
Booking : 01/07/18
Valid : 20/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m


# নৌনা পোকপা নুপীমচা অমনা ঝর্খন্দদা অহানবা পি এম জে এ ৱাই বিনিফিসরি ওইরে



*জামসেদপুর, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাখিন্দা প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) হেক হৌদোকখিবগী মিনিৎ খরগী তূংদা ঝর্খন্দ হোস্পিটাল অমদা পোকখিবা অঙাং নুপীমচা অমনা ষ্টেট অসিদা স্কিম অসিগী অহানবা বিনিফিসরি ওইখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ইষ্ট সিংভুম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা জামসেদপুরগী সদর হোস্পিটালদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পূং ১.১০ চৎপদা সিজরিয়ান সেক্সন তৌদুনা অঙাং পোকখি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা গভর্ণমেন্ট–ফন্দেদ হেল্থকিয়ার স্কিমনি হায়রিবা পি এম জে এ ৱাই না চহীগী ওইনা লৈবাকসিগী লায়রবা ইমুং ক্রোর ১০.৭৪ হেনবা লুপা লাক্ষ ৫ গী তেংবাঙ পীনবা পান্দম থম্লি। সেন্টরনা স্কিম অসিগী চাদা ৬০ অদুগা ষ্টেটশিংনা চাদা ৪০ পুথোক্কনি।

থংনবা দিষ্ট্রিক্ট সৌরৈকেলা–খরস্বান দিষ্ট্রিক্টকী গমারিয়া পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বসুরদা খলগী পুনম মহাতো কৌবী মশাগী চহী ২৪ শুরবী নুপী অদু নোংমাইজিংগী অয়ূক্তা হোস্পিটাল অদুদা মিং চল্লখিবনি। হৌজিক স্কিম অদুগী শরুক ওইনা মহাক্কী লায়েংবগী অচঙবা শেল পূন্নমক পুথোক্লগনি হায়না ইষ্ট সিংভুম দিষ্টিঅক্ট সিভিল সার্জন ডা. মহেস্বর প্রসাদনা হায়খি। চানবা চিঞ্জাক, হিদাক লাংথকশিং, লায়েংমন, টেষ্টশিংনচিংবা হোস্পিটালদা পীরিবা সার্ভিস পূন্নমক অনাবা অসিদা লেন্না ফংহনখ্রে।

সিজরিয়ান সেক্সনদা পোকপা ওইবনা মমা অমসুং অঙাং অদু চয়োল অমা হোস্পিটাল অসিদা মখোয়গী হকচাংগী ফিভম য়েংশিন্নবা থমগনি। হৌজিক মখোয়গী হকচাংগী ফিভম ফনা লৈরি হায়না সিভিল সার্জন অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

# বি জে পি লুচিংবী পদ্মা শুক্লা কংগ্রেস য়াওখ্রে

*ভোপাল, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
মধ্য প্রদেশতা ষ্টেট কেবিনেট রেঙ্ক অমসু ফংলবী মধ্য প্রদেশ সোসিয়েল ৱেলফিয়ার বোর্দ চীফ পদ্মা শুক্লা বি জে পি গী প্রাইমারি মেম্বরসিপতগী ঙসি নিংথৌকাবা নুত্তি রিজাইন তৌখ্রে।

কুমজা ১৯৮০ দগী বি জে পি গী মেম্বর ওইরকখ্রবী বি জে পি লুচিংবা অসি হৌজিক কংগ্রেস পার্টিদা য়াওখ্রে।

# লৈবাক নীংখাইরক্তুনা ফুমজিনখিবা ইমুংগী মীওই ৫ শিখ্রে

*জম্মু, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীংগী লম দোদা দিষ্ট্রিক্তা হৌখিবা নুমিৎ নীনি নোং লেপ্তুনা চুরকখিবদগী লৈবাক নীংখাইদুনা মখোয়গী লৈবাক্না শাবা য়ূম ননশিনখিবদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা অঙাং ৩ য়াওনা ইমুং অমগী মীওই ৫ শিখ্রে।

লৈবাক্না শাবা য়ূম অদুদগী খুঞ্জাশিং অমসুং পুলিস টিমনা হকচাং ৫ অদু পুথোরকখ্রে। মখোয় অদুদি বাসির অহমদ (২৫), মাগী লোয়নবী নাগীমা (২৩), জুলফি বানূ (৯), মহমদ শারিফ (৮) অমসুং চহী ১ মখাইখক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# খুদোংথিবা নংখিবা নেভি ওফিসার ফ্রান্সকী জহাজনা কনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
মালেমগী অকোয়বদা হি হোনবগী লমজেন গোল্ডন গ্লোব রেস ২০১৮ দা শরুক য়াখিবা, অদুবু সমুদ্রগী তমথিবা নুংশিৎ অমসুং নোং–চিংগী ফিভমদগী খুদোংথিবা মায়োক্লখিবা ইন্দিয়ান নেভি কম্মান্দর অভিলাশ তোমিবু ফ্রান্সকী জহাজ অমনা কনখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।



অভিলাশ তোমিবু খা থংবা ইন্দিয়ান ওসিনগী খুদোংথিরবা নোং–চিংগী ফিভম মরক্তগী কনখিবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা ফ্রান্স অমসুং অষ্ট্রেলিয়াবু থাগৎখ্রে।

ফ্রান্সকী ঙা ফাবা হি অমনা ঐখোয়গী নেভেল ওফিসার অভিলাশ তোমিবু কনখ্রে হায়বা পাউ তাবদা ঐহাক ৱাখলগী অৱাবা কোক্লে হায়না ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামননসু ফোঙদোকখ্রে।

নেভি কম্মান্দা অভিলাশ তোমিগী রেস্ক্যু কম্যুনিকেসন্স দিভাইসশিং অদু চার্জ লোইথোকখিবনি। মরম অদুদগী মহাক পাউখুম পীরকখিদবনি। ফ্রান্সকী ওসিরিস কৌবা জহাজ অদুসু সমুদ্রগী তমথিরবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অদুগী অকনবা নুংশিৎ অমসুং মিটর ৮ ৱাংবা ঈথৎ ঈপোমশিংগী খুদোংথিবা মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক তপ্না তপ্না অমসুং লেপ্তুনা হোৎনবদগী তোমিবু রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্না খুদোংথিবা মায়োক্লদুনা লৈরিবা অষ্ট্রেলিয়া মনাক্কী ইন্দিয়ান ওসিনগী মফম অদুদগী ফ্রেঞ্চ ভেসেল ওসিরিসনা কনখিবনি। মহাকপু লৌরুনবা অষ্ট্রেলিয়াগী পর্থ হিথাংফম থাদোকখ্রবা অষ্ট্রেলিয়ান নেভিগী জহাজ ঐচ এম এ এস বল্লারটনা মহাকপু পূং ১৬ কী মনুংদা পুরক্লগনি হায়রি।

# লালহৌবা ৩ লান্মী ১ শিরে

*শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
জম্মু এন্দ কাশ্মীর কুপৱারা দিষ্ট্রিক্তা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরীংদা লোম্না ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেসনদা ঙসি লালহৌবা ৩ অমসুং লান্মী ১ শিরে। ঙসি শিরিবা লালহৌবা ৩ অসি থারগা ওপরেসন অসিদা শিখিবা লালহৌবা ৫ শুরে।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা ওপরেসন অসিদা লালহৌবা ২ হাৎখি হায়না আর্মিগী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়রি। ওপরেসন অদুদা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা লান্মী অমসু লৈবাক্কীদমক কখোকখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# এন আর সি গী ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন লৌশিনবা হৌরে

*গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
অসামগী নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) গী ফাইনেল দ্রাফ্টতা য়াওখিদ্রবা মীওই লাক্ষ ৪০ রোম অদুগী ক্লেমশিং অমসুং ওবজেক্সনশিং লৌশিনবগী থবক হয়েং সেপ্টেম্বর ২৫ দগী হৌরগনি। মসিগীদমক য়ামদ্রবদা এন আর সি সেবা কেন্দ্র ২,৫০০ হাংদোকখ্রে।

# রসিয়ানা হেন্না নৌবা এস–৩০০ মিসাইল সিষ্টেমস সিরিয়াদা থাখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

*মোস্কো, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
রসিয়াগী প্লেন অমা কাপথখিবগী হৌখিবা চয়োলদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদগী মোস্কোনা সিরিয়াদা হেন্না মোদর্ন ওইবা এস–৩৩ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস থাখিগনি হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খ্রে।



সিরিয়া গভর্ণমেন্ট মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনা হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াগী মিলিটরি প্লেন অমা কাপথখি অমসুং মদুদা তোংখিবা মীওই ১৫ অদু লোয়নমক শিখিবনি।

প্লেন অদু খুদোংথিবা নংখিবা অদু ইজরেলননি হায়না রসিয়ানা মরাল শীখি। ইজরেলগী ফাইটর জেটশিংনা রসিয়াগী এয়ারক্রাফট অদুবু নোংমৈ কাপ্পফম লানফমরোমদা ইনশিল্লকখিবনি হায়খি।

রসিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা সিরিয়াগী মতমগা চুন্নদ্রবা এস–২০০ সিষ্টেমসনা রসিয়াগী প্লেন অদুবু মরুপ–মপাং ওইবা প্লেন অমনি মশক খঙবা ঙম্নবগী থাক্তা সোফিষ্টিকেট ওইদে হায়রি।

ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সেরগৈ শোইগুনা মথং চয়োল অনীগী মনুংদা সিরিয়াদা হেন্না নৌবা এস–৩০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম থাখ্রগনি হায়খি।

ঐখোয়গী ট্রুপশিংদা অকিবা অমা পীবা থবকশিং চত্থরিবা মথা শারবা মখোয় খরা অদু সিরিয়াদা পীগদৌরিবা এস–৩০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমশিং অসিনা ঈংথহল্লগনি হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

# টেক্সাস জেলদা কংলকপা লফোইদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮ গী কোকাইন য়াওরম্লে

*হৌষ্টন, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
টেক্সাসকী জেল অমদা দোনেট তৌরকপা লফোইশিং হাপ্পা উপুশিংগী মনুংদা লোত্তুনা হাপ্লকপা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮ রোমগী কোকাইন ফংলে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

লফোইশিং অদু মুনবা হেনজিল্লকপদগী দোনেসন তৌবনি হায়না থারকখিবা লফোইশিং হাপ্পা বোক্স অনীগী মনুংদা দ্রগশিং অদু য়াওরম্বা থেংনবনি হায়না টেক্সাস দিপার্টমেন্ট ওফ ক্রিমিনেল জষ্টিসনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

দোনেসন অদু ইরাই নুমিত্তা তৌরকখিবনি। উপুশিং অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা লফোইশিংগী মখাদা অত্তৌবা মকুপ ওইনা তৌবা পোৎশক মপুন অমা থেংনখি। উপু ৪৫ দা কোকেন পেকেট ৫৪০ য়াওরমখিবনি হায়রি।

# ৱিপ্রো ইমপ্লোয়ীশিংনা সিটি ১২৫, লৈবাক ৩৪ ফাওদুনা মরাথোন লমজেন চেনখ্রে




*বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ*
অচৌবা সোফ্টৱ্যার কম্পেনি ৱিপ্রোগী ইমপ্লোয়ী লীশিং কয়ানা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা কম্পেনি অসিনা মখোয়গী মরু ওইৱশিং অদু উখোক্লবা শীনবা লৈবাক ৩৪ গী সিটি ১২৫ ফাওদুনা চেনবা মরাথোন লমজেন অমা চেনখ্রে।

ঐখোয়গী ইমপ্লোয়ীশিং, মখোয়গী ইমুং মনুংশিং অমসুং মরুপ মপাংশিং হান্না ইমপ্লোয়ী ওইরম্বশিং, কষ্টমরশিং, পার্তনরশিং অমসুং সপ্লাইয়রশিং, লীশিং কয়ানা 'স্পিরিট ওফ ৱিপ্রো' কৌবা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা চেনবা লমজেন অদুদা শরুক য়াখি হায়না সিটি অসিদা লৈবা আই টি ফার্ম অদুনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

বেঙ্গলুরুদা ইলেক্ত্রোনিক সিটি অসিদা লৈবা ৱিপ্রোগী কেম্পসতগী মসিগী চিয়ার্মেন অজিম প্রেমজিনা লমজেন অদু লমথাখি। চহী অসিগী লমজেনগী থিমদি 'ৱি বিফোর মি' হায়বসিনি।

দোল্লর বিল্লিয়ন ৮.৪ গী কম্পেনি অসিনা চহীগী ওইবা গ্লোবেল ইনিসিয়েটিভ অমা ওইনা কুমজা ২০০৫ তগী লমজেন অসি হৌখিবনি। লমশাং–লমজেন অসি ৱিপ্রোগী ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্কী স্পিরিট অদু ফোঙদোকপা মালেমদা ইমপ্লোয়ী মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা থৌরমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ৱিপ্রো প্রসিদেন্ট শৌরব গোবিলনা হায়খি।

ইন্দিয়াদা বেঙ্গলুরু, চেন্নাই, দিল্লি, কোলকতা, মুম্বাই অমসুং পুনে য়াওনা সিটি ১৫ দা লমজেন অসি চেনখি। অতৈ লৈবাকশিংদনা ন্যু জরসি, পোর্টলেন্দ, মাউন্টেন ভিয়ু, অত্লান্তা, বোস্তোন, ওষ্টিন, দালাস, পর্থ, মেলবোন, সিদনি, মেক্সিকো সিটি, দুবাই, মনিলা, দোহা, সিঙ্গাপোর, য়োকোহমা, জোহানেসবর্গ অমসুং জুরিকনচিংবা সিটিশিংদা চেনখি।

লমজেন অদুনা খোমগৎলকপা ফন্দশিং অদু শেন–থুমগী ফিভম শোন্থরবা অঙাংশিংগী মহৈ তম্বগুম্বা হীরমশিংদা শীজিন্নগনি। মদুগা মান্নবা শেনফম অমসু কম্পেনি অসিগী কম্যুনিটি আর্ম ওইরিবা ৱিপ্রো কেয়ার্সনা পুথোক্কনি হায়রি।


JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY, IMPHAL

(A constituent unit of Sangeet Natak Akademi, New Delhi)
in collaboration with
TALUI REISANG YOUTH CLUB
cordially requests you to the
2-DAY FESTIVAL OF TRIBAL DANCE & MUSIC
on September 26/07/2018 at 11.00 a.m daily
at the Play Ground of Talui Reisang Youth Club, Ukhrul District
- All are Welcome -

SL/4050/25


সনা–সুদোকু –১৩০০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 2 | 7 | 6 | 4 | 9 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 4 | 5 | 9 | 3 | 7 | 2 | 8 |
| 7 | 3 | 9 | 1 | 8 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 4 | 5 | 3 | 8 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 5 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 3 | 7 | 1 | 9 | 2 |
| 5 | 7 | 6 | 3 | 1 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 9 | 3 | 4 | 5 | 6 | 8 | 7 | 1 |
| 1 | 4 | 8 | 2 | 7 | 9 | 6 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1301**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | 6 | 2 | 1 |
| | 9 | 2 | | | 6 | | | 3 |
| 8 | | | | | | | 9 | |
| | 1 | 3 | | | 4 | | | |
| | | 5 | 3 | | | 2 | | |
| | | | | | 7 | 8 | 3 | |
| | | 1 | | | 5 | | | |
| | | | 2 | 4 | | | | |
| | | | 8 | 9 | | 7 | | |